# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, AUGUST 21, 2017 PAGE 7




ৱার্ল্ড নম্বর ৱান কেরোলিনা প্লিজকোভাবু সিনসিনাতি মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেলদা মায়থিবা পীরমদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবী স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজা

ইন্টরনেসনেল গোল্ফ টাইটল ৬ লৌবা ঙমখ্রবা অদুগা এসিয়ান টুর ওর্দর ওফ মেরিটকী হৌজিক –হৌজিক অনীশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা ইন্দিয়াগী আর্জুন এৱার্দ ফংলগদবা এসএদপি চৌরাসিয়া



## মার্টিনা হিঙ্গিস অমসুং চান য়ুং জাননা ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউদর্ন ওপন টেন্নিসকী নুপীগী দবলসকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে



সিনসিনাতি মাষ্টর্সকী নুপীগী দবলস টাইটল ফংখ্রবা চাইনিজ তাইপৈগী চান য়ুং জান (ওই) অমদি স্বিজরলেন্দগী মার্টিনা হিঙ্গিস

*সিনসিনাতি, ওগষ্ট ২০ঃ*

য়ুএসএগী ওহায়ো ষ্টেটকী সিনসিনাতি সিটিদা লৈবা লিন্দর ফেমিলি টেন্নিস সেন্টরদা নুপা অমসুং নুপী পুন্না লম্বা তৌনবা ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউদর্ন ওপন (সিনসিনাতি মাষ্টর্স) টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী দবলসকী টাইটল অদু স্বিজরলেন্দগী মার্টিনা হিঙ্গিস অমসুং চাইনিজ তাইপৈগী চান য়ুং জাননা লৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী অনীশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা মার্টিনা হিঙ্গিস অমসুং চান য়ুং জাননা ফাইনেল য়ৌরকপগী লম্বেলদা অহুমশুবা সিদেদ টিম জেক রিপব্লিক্কী লুসি সফারোভা অমসুং বার্বোরা ষ্ট্রাইকভোবু ৭–৬(৭–৫), ৬–২ দা থোইরম্বনি।

ঙসি হিঙ্গিস অমসুং চান য়ুং জানগা ফাইনেলদা লম্বা তৌখিবা পিয়র রোমানিয়াগী মোনিকা নিকুলেস্কু অমসুং চাইনিজ তাইপৈগী সৈ সু ৱৈনা মখোয়গী ফাইনেল য়ৌরকপদা ৪শুবা সিদেদ পিয়র ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং চাইনাগী পেং স্বাইবু ৬–৪, ৭–৬(৮–৬) তা থোইরম্বনি।

ঙসিগী ফাইনেল অদু য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নখি। অহানবা সেট অদু মার্টিনা হিঙ্গিস অমসুং চান য়ুং জানবু মোনিকা নিকুলেস্কু অমসুং সৈ সু ৱৈনা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা মার্টিনা অমসুং চান য়ুংগী ফজবা মশান্না উৎপা হৌরকপদগী অহানবা সেট অদুগী স্কোরগা চপ মান্ননা মখোয়না ৬–৪ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদুদা সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা মার্টিনা হিঙ্গিস অমসুং চান য়ুং জানগী মায়কৈদগী শান্নখিবা মশান্না অদুদা মোনিকা নিকুলেস্কু অমসুং সৈ সু ৱৈগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা থেংনরকখি।

অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নখিদে। সুপর টাই ব্রেক শান্নবদা চান য়ুং জান অমসুং মার্টিনা হিঙ্গিসনা পোইন্ট ১০ য়ৌবা হানখিবদগী সেট অদু থোইদুনা নুপীগী দবলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অথেংবদা শান্নগদৌরিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অমসুং স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজাগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ ওইরিবী সাইমোনা হালেপনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা য়ুএসকী স্লোনে ষ্টেফেন্সপু ৬–২, ৬–১ দা থোইরমখি। অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদনা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোই জেক রিপব্লিক্কী কোরিলিনা প্লিজকোভাবু ৬–৩, ৬–২ দা থোইরমখি।

নুপাগী ফাইনেলদনা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রাইগিওস শান্নরগনি। ক্রাইগিওসনা ঙরাং স্পেনগী দেবিদ ফেররবু টাই ব্রেক সেট অনীদা ৭–৬(৭–৩), ৭–৬(৭–৪) দা মায়থিবা পীরম্বনি।

অমরোমদা গ্রিগোর দিমিত্রোভনা য়ুএসএগী জোন ইসনরবুসু টাই ব্রেক সেট অনীদা য়াম্না ৱানা ৭–৬(৭–৪), ৭–৬(১২–১০) দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা ফ্রান্সকী পিয়রি হুগেজ হর্বট অমসুং নিকোলাস মাহুতকা য়ুএসএগী জেমি মুরে অমদি ব্রাজিলগী ব্রুনো সাউরেজগী পিয়রগা লম্বা তৌনরগনি।

সেমি ফাইনেলদা য়ুএসএ অমদি ব্রাজিলগী পিয়ার অদুনা অনীশুবা সিদেদ পিয়র পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমসুং ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোবু ৬–৪, ৭–৫ দা থোইরমখি। অদুগা ৫ শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী পিয়ার অদুনা য়ুএসএগী রাইন হেরিজন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মাইকেল ভেনসবু ৬–৪, ৭–৬(১১–৯) দা থোইরম্বনি।

## ইন্দিয়ানা মোরিসিয়সপু লৈবাক অহুমগী ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহানবা মেটচতা পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে



মোরিসিয়সকা শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ইক্বেলাইজর চনখিবা রোবিন সিংহ (ওই)না পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা

*মুম্বাই, ওগষ্ট ২০ঃ*

মুম্বাইদা লৈবা মুম্বাই ফুটবোল এরেনাদা ঙরাং শান্নখিবা লৈবাক অহুমগী ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহানবা মেটচতা য়ুম্বু ইন্দিয়ানা মোরিসিয়সপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ফিফাগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়া ৯৭ শুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা মোরিসিয়সকী টিম অদুনা ১৬০ শুবা পোজিসনদা লৈরিবনি। ইন্দিয়াগী টিম অদুদা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা সুনিল ছেত্রি, ৱিঙ্গর উদান্ত সিংহ অমসুং নম্বর ৱান কিপর গুরপ্রিত সিংহ সান্ধু এএফসি কপ্তা বেঙ্গারুলু এফসিগী মেটচ শান্ননবগী শেম শারিবা মরম্না ঙরাংগী মেটচ অদুদা শান্নবা য়াওখিদে। মরমদি বেঙ্গালুরু এফসিনা এএফসি কপ টুর্নামেন্টকী ইন্টরজোনেল সেমি ফাইনেলদা নোর্থ কোরিয়াগী ক্লব এপ্রিল ২৫ কা থা অসিগী ২৩ দা শান্নগদৌরিবনি।

ঙরাংগী মোরিসিয়স অমসুং ইন্দিয়াগী মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা জোন মার্বিন জোসিলিননা মোরিসিয়সকী মায়কৈদগী শান্নবগী ১৫ শুবা মিনটতা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল অদু জোসিলিননা ইন্দিয়াগী সেন্টরবেক অনাজ ইদাথোদিকাদগী থক্তোরকপা বোল অমা পুশিল্লগা কাউশিনখিবদা ইন্দিয়াগী ফুলবেক নরায়ন দাসতগী থক্তোরকপদা অমুক হন্না ফংদুনা কাউশিনখিবদা ইন্দিয়াগী কিপর সুব্রত পোলনা ফাবা ঙমহৌদবদগী পাঞ্জল অদু ওইখিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট ৮ খক্তা ঙাইশিল্লক্লবদা ইন্দিয়াগী রোবিন সিংহনা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই রাউলিন বোরগিসনা পীরকপা য়াম্না ফজবা বোল অমদা রোবিন সিংহনা মহাকপু শেন্নদুনা লৈখিবা মোরিসিয়সকী দিফেন্দর লুই দোর্জা লাম্থোক্তুনা মখোঙ ওইনা কাউশিনখিবা সোট অদুনা ইক্বেলাইজর অদু ওইখিবনি।

রোবিন সিংহগী ইক্বেলাইজর অদুগী মাঙওইননা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা ফংলম্বা য়ারমখি। য়ুগেনসন লিন্দোনা ফংবা বোল অমা টিমমেট জেজে লালপেখলুৱাদা পীরকখি। জেজেনা বোল অদু মহাক্কী অতোপ্পা টিমমেট হোলিচরন নর্জারিদা হেদ তৌদুনা ইম্থোরকখি। অদুবু হোলিচরননা বোল অদু পাঞ্জল ওম্থোকপা ঙমখিদবনি।

হাল্ফ মতুংদা ইন্দিয়াগী কোচ ষ্টেফেন কোন্সটেন্টাইননা শান্নরোই ৩ শিন্দোকখি। জেকিচানগী মহুত্তা অহানবা ইন্দিয়াগী ইন্টরনেসনেল মেটচ শান্নখিবা নিখিল পুজারী চঙহল্লকখি। গোলকিপর সুব্রতা পোলগী মহুৎ আর্মিন্দর সিংহ থাজিল্লকখি। অদুগা ইক্বেলাইজর চনখিবা রোবিন সিংহগী মহুত্তা বলৱন্ট সিংহ চঙহল্লকখি।

শান্নবগী ৬২ শুবা মিনটতা য়ুগেনসনননা পুরকপা বোল অমুক হন্না জেজেদা খাইদোরকখি। জেজেনা তাঞ্জা চারবা মতমদা বলৱন্টকীদমক ইম্থোরকপা বলৱন্ট সিংহনা অশোয়–অঙাম য়াওদনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

মেটচ অদুগী লোইরমদাইদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী টিমদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারিবা মনবির সিংহগী মায়কৈদগীসু পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

ইন্দিয়ানা মথংগী মেটচ সেন্ট কিটস এন্দ নেভিসকা থা অসিগী ২৪ দা শান্নগনি অদুগা মোরিসিয়স অমসুং সেন্ট কিটচ এন্দ নেভিসনা থা অসিগী ২২ দা শান্নরগনি।

ইন্দিয়াগী কোচ ষ্টেফেন কোন্সটেন্টাইননা মেটচ অদু লোইরবা মতুং ফোঙদোকখিবদা ঙরাং মোরিসিয়সপু মায়থিবা পীখিবা অদুনা ইন্দিয়ানা থংন–থংননা মেটচ ৬ মায় পাকপা ঙম্বগী রেকোর্দ অমা থম্লবসু মরুওইরিবদি এসিয়ান কপকীদমক ক্বালিফাই ওইবা অদুনি হায়খি।

ওক্তোবর ১০ দা মেকাউগা শান্নগদৌরিবা এএফসি এসিয়ান কপকী গ্রুপ (এ) গী অহুমশুবা ক্বালিফায়িং মেটচ অদু মায় পাক্লবদি ২০১৯ দা য়ুএইনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমগদৌরিবনি।

## সিখর ধৱন অমসুং ভিরাট কোলিগী ফজবা বেট্টিংনা শ্রী লঙ্কাবু ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৯ দা অহানবা মেটচ থোইখ্রে



শ্রী লঙ্কাগা শান্নবা অহানবা ৱান দে মেটচতা আওট ওইদনা রন ১৩২ লৌখিবা ইন্দিয়াগী সিখর ধৱন

*দম্বুল্লা, ওগষ্ট ২০ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং শ্রী লঙ্কানা দম্বুল্লা সিটিদা শান্নবা ৱান দে মেটচ ৫ গী সেরিজগী অহানবা মেটচ অদু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সিখর ধৱন অমসুং কেপ্টেন ভিরাট কোলিগী ফজবা বেট্টিংনা ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোলিনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মহাক্কী ৱারেপ কান্নবা ফংখি। শ্রী লঙ্কাগী ইন্নিংস অদু ওভর ৫০ শান্নবা ঙমদনা ৪৪ শুবা ওভরগী অনীশুবা বোলদা ৱিকেট ১০ আওট ওইরগা রন ২১৬ খক লৌখি।

হৌরকপদা শ্রী লঙ্কাগী ওপনর অনী নিরোজসান দিগৱেলা অমসুং দনুস্কা গুনথিলকাগী পার্টনর্সিপ অদু ওভর ১৪ ফাওবা শান্নবা ঙমখি। মদুদা মখোয় অনীনা রন ৭৩ লৌদুনা ফজবা পার্ফোমেন্স শেমগৎপা হৌখিবনি। অদুবু ১৪ শুবা ওভরগী অরোইবা বোলদা ধনুস্কাবু ইন্দিয়াগী বোলর য়ুজবেন্দ্র চাহলনা রন ৩৫ দা আওট তাহনখি।

ধনুস্কাগী মহুৎ কুসল মেন্দিসনা শিল্লকখি। মহাক্না দিগৱেলাগা লোয়ননা ইন্নিংস মখা চথরকপদা রন ৬৬ হাপচিন্দুনা শ্রী লঙ্কাগী স্কোর অদু অচৌবা স্কোর অমা শেম্নবগী লম্বেল য়াংখি।

ইন্নিংসকী ২৫ শুবা ওভরগী অহুমশুবা বোলদা ওপনর নিরোসন দিগৱেলা ইন্দিয়াগী বোলর কেদর যাদবনা রন ৬৪ দা আওট তাহখি। মতম অদুদা শ্রী লঙ্কাগী স্কোর ১৩৯ লৈখি।

কেপ্টেন উপুল থরঙ্গানা নিরোসনগী মহুৎ শিল্লকপনি। মহাক্না লোয়ননা মেন্দিসনা রন ১১ হাপচিনবদা ঙাইরিঙৈ মেন্দিস মশাগী রন ৩৬ তা অজর পটেলনা আওট তাহনখিবদগী শ্রী লঙ্কাগী অপুনবা স্কোর ১৫০ দা বেটসমেন ৩ আওট ওইখি।

এঞ্জেলো মেথ্যুজ অমসুং উপুল থরঙ্গাগনা মরিশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিকীদমক রন ১৬ খক হাপচিনবদা ঙাইরিঙৈ থারঙ্গা যাদবনা রন ১৩ দা আওট ওইহনখিবদগী মখা তানা শান্নরকপা ওভর ৬ অদুদা শ্রী লঙ্কাগী ইন্নিংস অদুদা মচেৎ তানা কায়খিবনি। হায়রিবা ওভর ৬ অদুদা শ্রী লঙ্কাগী মায়কৈদগী শুপ্পগী রন ২১ খক লৌরগা বেটসমেন ৫ আওট তাখিবদগী শ্রী লঙ্কাগী স্কোর অদু ৩৯ শুবা ওভরগী ৫ শুবা বোলদা রন ১৮৭ তা বেটসমেন ৮ আওট ওইখি।

থারঙ্গাগী মতুংদা চামারা কাপুজেদেরা রন ১ দা আওট ওইখি। মহুৎ শিল্লকখিবা ৱানিদু হাসারনগা রন ২ খক লৌরমখি। নৌনা চঙলকপা থিসারা পেরৈরা রন অমত্তা লৌবা ঙমখিদে। লোয়ননা লক্মান সন্দকনসু রন ৫ খক লৌরম্বনি।

লসিথ মালিঙ্গা ১০শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখি। মহাক রন ৮ লৌখি। অদুগা ১১ শুবা বেটসমেন বিস্বা ফর্নান্দো রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আওট ওইখিবদগী শ্রী লঙ্কাগী ইন্নিংস অদু রন ২১৬ তা লোইশিনখি।

মায় পাক্নবা ইন্দিয়ানা রন ২১৭ কী টার্গেট অদু ২৯ শুবা ওভরগী ৫ শুবা বোলদা ৱিকেট অমখক তুরগা রন ২২০ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৯ দা থোইখি।

ইন্দিয়াগী ওইনা ওপনর সিখর ধৱন আওট ওইদনা বোল ৯০ দা রন ১৩২ লৌখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা সিক্স ৩ গা ফোর ২০ য়ৈরমখি। লোয়ননা কেপ্টেন ভিরাট কোলি বোল ৭০ দা সিক্স ১ গা ফোর ১০ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৮২ লৌবা ঙমখি।

## বেদমিন্টন ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা স্রিকান্থ অমসুং সিন্ধুনা ইন্দিয়া লুচিংগদৌরি

*গ্লাসগো, ওগষ্ট ২০ঃ*

হয়েংদগী স্কোটলেন্দগী সিটি গ্লাসগোদা পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী টিমদা কিদম্বি স্রিকান্থ অমসুং পি ভি সিন্ধুনা মেম্বর ২১ গী টিম অদুবু লুচিংগদৌরি।

ইন্দিয়াগী বেদমিন্টনগী পুৱারীদা মমিং লৈরবা টুর্নামেন্টশিংগী মকোক ওইবা ঙমদ্রিবা অসি ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিখক্তমক ঙাইরি। চহী অসিগী ইন্দোনেসিয়া ওপন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া ওপন বেদমিন্টনগী টাইটল লৌবা ঙম্লবা ইন্দিয়াগী নুপাগী বেদমিন্টন শান্নরোই কিদম্বি স্রিকান্থনা মহাক্কী ফজবা ফোর্ম অদু মখা তানা লৈহন্দুনা মেডল ফংবা ঙম্নবা হোৎনগদৌরি।

অমরোমদা রিও ওলেম্পিক্স ২০১৬ কী সিলভর মেডালিষ্ট লোয়ননা ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী কুমজা ২০১৩ অমসুং ২০১৪ দা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখ্রবী পি ভি সিন্ধুনা হন্দক্কী মতাং অসিদা গোল্ড লৌননবা মহাক্কী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা হোৎনগনি হায়রি।

২০১৫ ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী শান্নরোই ওইনা সিলভর ফংখিবী মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ফাওবা ওইরম্লবী সাইনা নেহৱালসু ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াগদৌরি।

## অবু ধাবি মাষ্টর্স চেছতা ইন্দিয়াগী হরিকা অমসুং গগারি ফজনা চৎলি

*অবু ধাবি, ওগষ্ট ২০ঃ*

সাউদি অরাবিয়াগী অবু ধাবিনা শান্নরিবা অবু ধাবি মাষ্টর্স চেছ টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর দ্রোনাভালি হরিকা অমসুং সারদুল গগারি ফজবা ঙগ্রি।

ৱার্ল্ড নম্বর ৯ ওইরিবা দ্রোনাভালি হরিকানা অবু ধাবি চেছ ফেষ্টিভেল অসিগী ৬শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা গেম অনী মায় পাকখিবা অমা মায়থিরগা থংনবা গেম অহুম দ্রো চত্নুনা পোইন্ট ৩.৫ ফংদুনা লৈরি।

অমরোমদা গ্রান্দমাষ্টর সারদুল গগারি ৬ শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৪.৫ ফংলগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈরি।

রাউন্দ ৯ শান্নগদবা স্বিজ ফোর্মেট অসিগী ৭ শুবা রাউন্দদা দ্রোনাভালি হরিকানা অজরবাইজানগী শান্নরোই সুলেমানলি এদিনগা শান্নগনি। হরিকানা ৫ শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই ইসা কারাবাদেগা দ্রো চৎখিবনি। অদুগা ৬ শুবা রাউন্দদনা স্পেনগী এন্টোনিও পাজোস পোর্টাগা দ্রো চৎখি।

চথরিবা অবু ধাবি চেছ ফেষ্টিভেল অসিগী মাষ্টর্স চেছকী মায়কৈদা রাউন্দ ৬ লোইরকপদা পোইন্ট ৫.৫ ফংলগা ইজিপ্তকী শান্নরোই গ্রান্দমাষ্টর আমিন বাসিমনা অতোপ্পা শান্নরোইশিংদগী মাঙজিল থাদুনা চৎলি।

## ষ্টোক সিটিগী জেসি রোদ্রিগেজনা মহাক্কী অহানবা মেটচ শান্নবদা অর্সনেল মায়থিবা পীবগী পাঞ্জল চনবা ঙমখ্রে, জুবেন্টস সিজনগী অহানবা মেটচ মায় পাকখ্রে



অর্সনেলগা শান্নবদা ষ্টোক সিটিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবা জেসি রোদ্রিগেজ (ওই)

*লন্দন, ওগষ্ট ২০ঃ*

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ষ্টোক সিটিগী জেসি রোদ্রিগেজগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জলনা অর্সনেলবু মায়থিবা পীখ্রে। অমরোমদা ইটালিগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা সেরি এ গী অহানবা মেটচতা জুবেন্টসনা কাগলিয়ারিবু পাঞ্জল ৩–০ দা থোইখ্রে।

ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা অর্সনেল অমসুং ষ্টোক সিটিনা শান্নখিবা মেটচ হৌবদগী হৌনা য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা শান্নরকখি। শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ওম্থোকপা য়াবা খুদোংচাবা লৈনখ্রবসু পাঞ্জল ওম্থোকপা ঙমদনা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা ষ্টোক সিটিগী শান্নরোইশিংনা অর্সনেলগী মায়কৈদা বোল পুশিন্দুনা পাঞ্জল থিবা হৌরকখি। শান্নবগী ৪৭ শুবা মিনটতা ষ্টোক সিটিদা অহানবা ওইনা নৌনা শরুক য়ারকখিবা জেসি রোদ্রিগেজনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অর্সনেলবু ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু ষ্টোক সিটিনা অর্সনেলবু ১–০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা লৈকেষ্টর সিটি অমসুং লিভরপুলসু মখোয়–মখোয়গী মেটচশিং মায় পাকপা ঙমখি।

ইটালিগী সেরি এ গী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জুবেন্টসনা কাগলিয়ারিবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১২ শুবা মিনটতা জুবেন্টসকী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই মারিও মান্দঝুকিকনা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। শান্নবগী ৩৯ শুবা মিনটতা কাগলিয়ারিনা ফংখিবা পেনাল্টি অমা টিম অদুগী দিএগো ফারিয়াসনা কাউশিনবদা পাঞ্জল ওইহৌখিদবদগী ইক্বেলাইজর ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা জুবেন্টসকী পাউলো দিবালানা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লবা মতুং শান্নবগী ৬৬ শুবা মিনটতা টিম অদুগী মরুওইবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা গোঞ্জালো হিগ্বাননা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা মেটচ অদু ৩–০ দা মায় পাকখি।

সেরি এ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা এসএসসি নাপোলিনা হেলাস ভেরোনাবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী ঘোস অমসুং সাথিয়াননা বলগেরিয়া ওপন টেবল টেন্নিসকী সিলভর মেডল ফংখ্রে

*পানাজিয়ুরিষ্টি, ওগষ্ট ২০ঃ*

বলগেরিয়াগী সিটি পানাজিয়ুরিষ্টিদা চথরিবা ইন্টরনেসনেল টেবল টেন্নিস ফেদরেসনগী ৱার্ল্ড টুর মনুং চন্না পাঙথোকপা বলগেলরিয়া ওপন টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী সোমিয়াজিৎ ঘোস অমসুং জি সাথিয়াননা জপানগী জিন উদা অমদি মহারু য়োসিমুরাগা ফাইনেল লম্বা তৌনবদা মায়থিদুনা সিলভর মেডল ফংহৌরে।

ইন্দিয়াগী পিয়র অদুগী মায়কৈদগী জপানগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা পিয়র অদুগা লম্বা তৌনবদা পোইন্ট খুদিংমক ইন্নদুনা চৎখি। অহানবা গেম ইন্দিয়াগী পিয়রনা ১৩–১১ দা থোইখি।

মদুগী মতুং অনীশুবা গেম অদু জপানগী পিয়র অদুনা ফজবা হেল্লকপদগী ১১–৭ দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নদুনা লৈখি। অহুমশুবা গেম অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোই অদুগী মায়কৈদগী কা হেন্না ফজবা ঙমখিদবদগী জপানগী পিয়র অদুনা ১১–৪ দা থোইদুনা গেম ২–১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

৪শুবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা টেবল টেন্নিসকী পিয়র ওইরিবা সোমিয়াজিৎ ঘোস অমদি জি সাথিয়াননা ১১–৬ তা থোইদুনা য়াম্না ফজবা মওংদা ফাইনেল মেটচ অদু গেম ২–২ থোইনরগা ৫ শুবা অমদি দিসাইদিং গেমগীদমক টিম অনীমক শেম শান্নখি।

অরোইবা গেম অদুদা জপানগী পিয়র জিন উদা অমসুং মহারু য়োসিমুরানা ইন্দিয়াগী ঘোস অমসুং সাথিয়াননবু ১১–৫ দা থোইদুনা আইটিটিএফ টুরগী মনুং চল্লিবা টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইদুনা টুর অসিগী ওইনা ফাইনেল অহুম শান্নবদা মখোয় অনীনা চেম্পিয়ন অনীরক ফংবা ঙমখি। কুমজা ২০১৩ গী জপান ওপন অমসুং হন্দক্কী চাইনা ওপন অনীমক থংননা লৌখি।